# করিবু থোক্লগবা য়ৌরক্লেদো






- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঙনবা থেংবগী ৱানি। কোরোনাভাইরস হায়রিবা লাইচৎসি ইরমদম কংলৈপাক্তসু শোয়দনা য়ৌরক্কনি হায়বদি কুইরে খঙখিবা। হৌজিক ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না নুংনাংলিবা, মীপাইরিবা, ৱাজরিবা অমদি কিজরিবদি মতৌ করম্না ঐখোয় ইরমদমগী লৈঙাকসিনা অমদি খরা লৈজরিবা লায়েংশঙশিং অসিনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাফমসিনি। শেল-থুমদা হায়রগসু খ্বাইদগী লায়রবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরি ইন্দিয়াদা। অদুগা লায়েংশঙ খরা লৈরিবসিসু মরন্নাই ওইবা লায়েংশঙ অমা/অনী নত্তনা লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিং অসিদি মমিংতগী ওইনা লৈবা দিপার্টমেন্ট কয়াম অমা লৈরি হায়না তাজে অমদি খূৎশু খূৎলায়সু নিংথি নুংঙাইনা লৈতবা ঙাক্তা। সোসল মিদিয়াদা সুম তাবা, উবদা ইরমদমদা লৈঙাক্লা মার্চ থাগী তাং ৩১ ফাওবা মহৈশঙশিং, কৈথেল অমদি অতৈ শঙলেনশিং থোঙ লোনশিন্দুনা, য়ারিবমখৈ মী তিলহন্দনা থম্লুরে। মসিগী মখা তারকপনা কমদৌবা। ইন্দিয়াদদি লাইচৎ অসি শন্দোকপগী অমদি শিবগী মশীং হেনগৎলক্লি। মার্চ থাগী অরোইবা নুমিৎ তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা মালেম পূম্বগী ওইনা মীওই লাক্ষ ৭,৮৫,৭১৩ লাইচৎ অসিনা নাহল্লে লোয়ননা মীওই লিশীং ৩৭,৮১৪না পুন্সি লোমখ্রে। ইন্দিয়াদনা মীওই ১,২৫১ য়ৌখ্রে অদুগা শিবনা মীওই ৩২ য়ৌখ্রে। লুরিবদি অখঙ অহৈ খরনা ইন্দিয়াদা মীওই লাক্ষ লাক্ষতা লাইচৎ অসিনা নাহনগনি হায়না পাউ তাখিবা অদুনি। মসিমক্তি থোক্তবা ওইসনু।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদদি অসুক্কী মতিক য়াঙনা লাইচৎ অসিনা শন্দোরক্লি অমদি শিবগী চাংসু য়াম্না ৱাংখৎলক্লি। অসুক চাওখৎলবা মফমশিং, হায়বদি চাওখৎলবা ইংলেন্দ, য়ু এস এ, ইটলি, স্পেন, জর্মনি, ফ্রান্স, নেদরলেন্দ, স্বিটজরলেন্দনচিংবা লৈবাকশিং অসিদফাওবা মীওই কয়া কয়া লাইচৎ অসিনা নাহল্লে অমদি কয়া কয়া অমনা পুন্সি লোমখ্রে লমখাংদা। অসুক চাওখৎলবা, মেদিক্যের সিষ্টম অসুক য়াম্না ফরবা মফমশিং অসিদা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অসুক্কী মতিক লৈজবা হোৎনদুনা লাকপসিদা লাইচৎ অসিনা ঙমদুনা লাক্লি। ইটলি খক্তদা মীওই লিশীং ১১,৫৯১ লৈখিদ্রে অদুগা লাইচৎ অসিনা নাহনবা মীওই লাক্ষ ১০১,৭৩৯ য়ৌখ্রে মার্চ ৩১ ফাওবগী ওইনা। য়াম্না ঙক্লিবদি চাওখৎপদা আ য়ৌরে হায়রিবা য়ু এস এনা লাইচৎ অসিনা নাহনবা মশীং ইহেন হেল্লিবা অসিনি। মার্চ ৩১ ফাওবদা য়ু এস এদা লাইচৎ অসিনা নাহনবা মশীং লাক্ষ ১,৬৪,২৪৮ য়ৌখ্রে অদুগা শিবনা লিশীং ৩,১৬৪ য়ৌখ্রে। নোংপোক লমদমশিংদা অসুক থুনা অমদি য়াম্না শন্দোকপা অসিনা তাক্লিবদি অয়িংবা মফমশিং অমদি য়াম্না নক্লা হকচাং শোক্তুনা তোৎন-তিন্নবা লৈবাকশিং অসিদা লাইচৎ অসি য়াম্না লায়না শন্দোকই হায়বসিনি।

মরম অসিনা নোংচুপলোমদগী ঐখোয়না তমশিনবা য়াবদি য়ারিবমখৈ অতোপ্পগা শোক্লা, তোৎন-তিন্নবা তৌদবা অমদি মপান থোকপদা য়ারিবমখৈ মীয়াম্না শোক্লবা পোৎলমশিংদা শোক্তনবা হোৎনবা অমদি লাইচৎ অসি পক্লবা, নাবগী সিম্পটোমদি উদ্রিবা মীওইশিং অসিনা শোকপা য়াবা পোৎলমশিং। লোয়ননা হায়রিবা মীওইশিং অসিদগী নাতোন্দগী অমদি চিন্দগী থোরকপা মহী-মনাই, মহীক্তগী ঙাকথোক্লবা মাস্ক উপ্পা কাউবীদবা। মতাংসিদনি লোকদাউন তৌবা, শট দাউন য়াম্না মথৌ তারক্লিবসি। লাইচৎ অসিনা পাক্তক্লনা ৱুহান্দা অমদি চাইনাদা শন্দোকপা হৌরকপদা চাইনানা লোক দাউন তৌবদা চাইনাবু য়াম্না চৈখিবনি হ্যুমেন রাইটস লৈতে, মীয়াম্বু হেক্তা ফাজিন্দুনা চৎহন্দে হায়বনচিংবা। মীওইশিং অদুগী অমদি লৈবাকশিং অদুগী ৱা তাদুনা হ্যুমেন রাইটস পীরিবনি হায়দুনা লোকদাউন তৌরমদ্রবদি চাইনাদা মীওই লাক্ষ লাক্ষতা শিরম্বা য়ারিবনি। অদুবু য়াম্না চেকশিন্না অকনবা খোঙথাং লৌখৎতুনা চাইনানা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোকপা ঙমখিবনি। চাইনাগী লোকদাউন পোলিসি অসিগী মায়োক্তা লৈবা য়ু এস এদা ঙসিদি করি ওইরে। চয়োল খরতগী মনুংদা মীওই লাক্ষ ১,৬৪,২৪৮ য়ৌরিবা অসিনি অদুগা শিবসু অসুক্কী মতিক থুনা মশীং হেনগৎলে। মতাংসিদা হায়জনীংবদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা চুম্মী, ফরে হায়বখক্তনা লোইনা চুম্মে, ফরে হায়না লৌবগী মতমদো লোইখ্রে হায়বনি। মাগী মাগী মফম মফমদুগী মতুংইন্না লৈঙাক্লা চান্ন-চান্নবা লৈঙাকলোন, পোলিসি লৌখৎপা মথৌ তাই। হায়জনীংবদি দিমোক্রেসি হায়বসি য়াম্না ফৈ অদুবু মফম খুদিংমক্তা চৎকদবনি হায়বা ৱাফম লৈতে হায়বসিনি। ইরমদম কংলৈপাক্কী ফীভমসিদা হঞ্জিল্লকপদা, লৈঙাক্লা নোংচুপলোমদা নৎত্রগা চাওখৎপা লৈবাকশিংদা তৌরিবা থৌওংশিং অসি তৌবা ঙমদবনিনা করি করম্বা তৌরগা ফবা ওইগনি হায়বসি খন্থদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীবা ফগনি। মার্চ ৩১ ফাওবা থোঙ থিংজিনবা, কর্ফিয়ু লোইশিনখিদুনা অমুক মখা চথনা এপ্রিল ১৪ ফাওবা শাংদোকখ্রে। মসিদা য়ারিবমখৈ মীয়াম্না শৌগৎফম থোকই লৈঙাক্কী ফিরেপসি। লোয়ননা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু তৌবা অসিদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিং অসিবুসু মতেং পাংফম থোকই য়ারিবমখৈ য়ূম য়ূমদা লৈদুনা। লৈঙাক্লা মীচম মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্কে হায়রবদি। করিগুম্বা লাইচৎ অসিনা নোংচুপ লৈবাকশিংদা শন্দোক্লিবা অসুম্না শন্দোরক্লবদি ঐখোয়গী অপিকপা খুন্নাইসিদি তুম্না মুৎখিবা য়ারিপোৎনি। চাওখৎলবা লৈবাকশিং অসিদফাওবা লায়েংবা ঙমদনা শিনরিবসিদা লাইচৎ অসিনা পাক শন্না শন্দোরক্লবদি ইরমদম কংলৈপাক্তদি করিসু তৌবা ঙল্লোই। অদুনা খ্বাইদগী ফবা লম্বীদি য়ারিবমখৈ লম্বীদা থোকপীদনা য়ূম য়ূমদা লৈবীবা অসিনি।

মতাংসিদা লৈঙাক্তা হায়জনীংবা অমনা শূ-নোমদুনা শেল তানবা য়াদ্রবনিনা চান-থক্লবা লৈঙাক্লা পীবিগনি হায়বদুমদি শোয়দনা ফংহনবীয়ু। লোয়ননা য়ারগদি শেলগী ওইবা মতেংসু পীহন্নীংই মরু ওইনা লৈত-লায়র কয়া, নোংমগী শূদুনা চরা তাঞ্জবা ইমুং কয়াদি লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু তৌবা অসিনা য়াম্না অৱা চৈথেং পীগদৌরিবনি হায়বসি লৈঙাক্লা কাউবীগনু। হৌখিবা চয়োল অনী লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু তৌবদা ইমুং কয়া অমা, লৈকায় কয়া অমা মখোয়গী চাকথুং ফংদে হায়বগী সোসল মিদিয়াদা অমদি পাউচেশিংদা থেংনজে। মসি হন্দক্কী চয়োল অনীসিদদি থোকহনবীগনু হায়না লৈঙাক্কী মফমদা থমজরি। লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী ৱা ঙাক্ত্রবদি মীচম মীয়াম্নসু লৈঙাক্কী ৱা তারোই, ইল্লোইদো।

ইরমদমগী খিত্তং থৈদোক্লগা টাইৱান্দা ওইরিবা ফীভম খরদং থমজগে। টাইৱান্দা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা মীওই ৩০৫ শুরে লাইচৎ অসিনা নাবা অদুগা শিবনা ৫ শুরে। তশেংবদি মীওই ৩ হেন্না শিবা অমদি মীওই ২৩০মুক খঙহেন হেনগৎলকপসি য়ুরোপ অমদি য়ু এস এদা চলিুরগা হল্লকপা টাইৱান্দগী মীওইশিংনি। লোকেল্লি ইনফেক্ট তৌবদি য়াম্না নেম্মী মসিগী মরমদি টাইৱান্দা টেম্পরেচর চ্যেক তৌবা, ক্বারন্টাইন থম্বা, মাস্ক শীজিন্নবা, লায়েংদুনা থম্বা অসিনচিংবা কয়া অসি অসুক্কী মতিক মপূং ফানা, নিংথিনা পাঙথোকই। সিঙ্গাপোর অমদি টাইৱান্দা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং অসিদি মালেম্না তমজনীংঙাই ওইরিবনি। হৌজিক লাইচৎ অসিনা শন্দোকপগী চাংনা ৩০৫ য়ৌরকপসিদা য়ুনিভর্সিটি খরদদি 'দিষ্টেন্স লর্নিং' হায়বদি ইন্টরনেট শীজিন্নদুনা ক্লাসশিং লৌবগী ফীভম তান্নরি মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বদা অপনবা অকায়বা পীদনবা হায়দুনা। হৌজিক হৌজিক ক্লাসশিং হাংলবসু য়াম্না চেকশিন্না মহৈশঙ খুদিংমক্কী থোঙ্গাল থোঙ্গালদা থর্মেল কেমেরানচিংবা খিন্দুনা বোদি টেম্পরেচর লৌরি নুংতিগী। মহৈরোয়শিং অসিগী থোঙ্গালদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা অয়ূক পুং ৭তগী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা নুংতিগী মীপূম খুদিংমক চ্যেক তৌদুনা চঙহল্লি মহৈশঙ মনুংদা। মীওই অমা ফাওবা চৎহন্দনা তৌরিবনি টেম্পরেচর চ্যেক তৌবসি। লোয়ননা গেটতা, ওফিসতা অমদি ক্লাস খুদিংমক্তা হেন্দ সেনিটাইজর স্প্রে থল্লি, টোইলেট খুদিংমক্তা সাপোন থল্লি। ওজাসু মহৈরোয়সু, ওফিসতা থবক তৌবা মীওইশিংসু মাস্ক উপ্তুনা লোইনা মথৌ তৌনরিবনি। মসিননি টাইৱান্দা লাইচৎ অসি শন্দোকপগী অমদি শিবগী চাং নেল্লিবা। অদুগা য়াম্না ফবা অমনা, টাইৱানগী মীওইশিংসি মশা মশানা ৱাখল তানা সেল্ফ-ক্বারন্টাইন তৌনৈ হায়নবা লৈতনা।

লোইশিল্লকপদা, ঐখোয়গী পিক্লবা খুন্নাই অসিবু লাইচৎ অসিদগী কলহৌসি হায়রবদি লৈঙাকসু, মীচম মীয়াম ঐখোয়সু ৱাখল তানা ইথৌ তৌনরসি। পূন্না হোৎনমিন্নদুনা লমদম অসিবু কলহৌরসি কোভিদ-১৯ হায়রিবা লাইচৎ অসিদগী। ●

---


MSPDCL

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**

(Regd. Office : 3rd Floor, New Directorate Building, near 2nd MR Gate Imphal – Dimapur Road, Imphal, Manipur)

CIN: U40101MN2013SGC008343

**Summary of Tariff Schedule approved by Commission for FY 2020-21 for Manipur State Power Distribution Company Ltd (MSPDCL) and to be effective from 01.04.2020**

A) Approved Subsidised Tariff for FY 2020-21 :

Table 8.10: Category wise Subsidised Tariffs approved by the Commission for FY 2020-21

| Sl. No | Consumer Category (FY 2019-20) | Existing Tariff | | Approved Subsidised Tariff | |
|---|---|---|---|---|---|
| | | Fixed Charges (P.M) | Energy Charges (Rs./kWh) | Fixed Charges (Rs./Per month) | Energy Charges (Rs./kWh) |
| | LT SUPPLY | | (Rs./kWh/PM) | | (Rs./kWh/PM) |
| 1 | Kutir Jyoti | | | | |
| | All Units (Upto 45Kwh/month) | 25/ (Connection) | 1.85 | 25/ (Connection) | 2.00 |
| 2 | Domestic | | | | |
| | First - 100 kwh/Month | 60.00 | 3.90 | 60.00 | 4.20 |
| | Next 100 kwh/Month | 60.00 | 5.20 | 60.00 | 5.50 |
| | Above 200 kwh/Month | 60.00 | 6.00 | 60.00 | 6.40 |
| 3 | Non-Domestic/Commercial | | | | |
| | First - 100 kwh/Month | 80.00 | 5.40 | 80.00 | 5.85 |
| | Next 100 kwh/Month | 80.00 | 6.50 | 80.00 | 6.90 |
| | Above 200 kwh/Month | 80.00 | 7.65 | 80.00 | 7.45 |
| 4 | Public Lighting | 65.00 | 7.00 | 65.00 | 8.50 |
| 5 | Public Water Works | 100.00 | 7.25 | 100.00 | 8.70 |
| 6 | Irrigation & Agriculture | 60.00 | 3.90 | 60.00 | 4.20 |
| 7 | Small Industry | 65.00 | 4.10 | 65.00 | 4.40 |
| | HT SUPPLY | Rs/kVA/PM | Rs/kVAh | Rs/kVA/PM | Rs/kVAh |
| 1 | Commercial | 100.00 | 7.60 | 100.00 | 8.10 |
| 2 | Public Water Works | 100.00 | 6.75 | 100.00 | 8.30 |
| 3 | Irrigation & Agriculture | 100.00 | 3.60 | 100.00 | 4.40 |
| 4 | Medium Industry | 100.00 | 5.30 | 100.00 | 5.70 |
| 5 | Large Industry | 100.00 | 6.60 | 100.00 | 7.10 |
| 6 | Bulk Supply | 100.00 | 5.90 | 100.00 | 6.40 |

**B) Approved Full Cost Tariff (FCT)**

**Table 8.30: Category wise full cost tariff (i.e. Without Subsidy) approved by the Commission for FY 2020-21**

| Sl. No | Category & Consumption Slab | Fixed Charges (Rs./Per month) | Variable Charges (Rs./kWh or kVAh) |
|---|---|---|---|
| | Low Tension Supply | | |
| 1 | Kutir Jyoti | | |
| | All units (Upto 45 kWh/ 3 Months) | 25/Connection | 6.85 |
| 2 | Domestic | | |
| | a) First - 100 kWh/Month | 60/kW | 7.00 |
| | b) Next 100 kWh/Month | 60/kW | 8.20 |
| | c) Above 200 kWh/Month | 60/kW | 8.55 |
| 3 | Non-Domestic/Commercial | | |
| | a) First - 100 kWh/Month | 80/kW | 9.10 |
| | b) Next 100 kWh/Month | 80/kW | 9.70 |
| | c) Above 200 kWh/Month | 80/kW | 9.85 |
| 4 | Public Lighting | 65/kW | 9.95 |
| 5 | Public Water Works | 100/kW | 9.75 |
| 6 | Irrigation & Agriculture | 60/kW | 8.80 |
| 7 | Small Industry | 65/kW | 7.80 |
| | High Tension Supply | | |
| 1 | Commercial | 100/kVA | 8.05 |
| 2 | Public Water Works | 100/kVA | 8.60 |
| 3 | Irrigation & Agriculture | 100/kVA | 7.95 |
| 4 | Medium Industry | 100/kVA | 7.85 |
| 5 | Large Industry | 100/kVA | 8.30 |
| 6 | Bulk Supply | 100/kVA | 9.00 |

**Note: 1) "With the approved Aggregate Revenue Requirement for FY 2020-21, the average cost of power supply within Manipur is Rs. 9.07 per unit and the overall average subsidized tariff (i.e. on receipt of subsidy from the Govt. of Manipur) is Rs. 6.43 per unit which is increase by 7.04% over the existing Tariff of FY 2019-20. The Full Cost Tariff at an average rate of Rs. 9.07 per unit is also indicated and the MSPDCL, Manipur is at liberty to implement this Full Cost Tariff in case of non-receipt of subsidy as per the para 7.21 of this Tariff Order in any month. In the event of release of pending subsidy by the Govt. of Manipur at a later date for any month/months, then the additional charges levied on account of Full Cost Tariff (FCT) will be returned back to the consumers in the immediate billing month/months after the subsidy is released."**

2) The above tables depicts fixed & energy charges only, **For detailed Tariff Schedule FY 2020-21, please visit www.mspdcl.info OR www.mspdcl.com**

**Sd/- Managing Director**
**MSPDCL, Imphal**

HL-B/6146/2


---

# অচুম্বা থবক তৌবগী অহৌবা নুমিৎ তঙাইফরক্তবা

- চন্দ্রমনি লাইফ্রাকপম -

পৃথিবীনা নুমিৎপু কোয়দুনা চৎলি হায়বসি মতম পূন্নমক্তা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফমনি। অচুম্বদি মতম খুদিংমক্তা চুমদুনতা লৈ হায়নদুনসু চৎন-কাঙলোন লৈতবা লমদমসিদদি অচুম্বগী দাগফম মুৎখিবগুম তৌরক্লি। অদুম ওইনমক অচুম্বা তৌবগী অহৌবা নুমিৎ অমা লাকহননবগীদমক পুকচেল শেংবা তঙাইফদবরা খল্লি। অফবা থবক তৌবশিংবু মীয়াম্না থাগৎনৈ হায়বদা চুমগনি খল্লি। অচুম্বা থবক তৌবগী হৈনবী লৈরবদি মরোমদোম চাও-খৎপা লমদম অমা ওইরক্কদৌরিবনি হায়বসি নীংশিংবদা কান্নগনি।

মৈবু ফিনা কুপ্পুনা থম্বা য়াদবগুম অফবা অমদি অচুম্বনা জয় ওই হায়বসি মতমগী ঈচেলনা নাথৈখিবা য়াওদবা নত্তে। ঈশিংনা অৱাংবা মফমদগী অনেম্বা মফমদা চেন্থজবা খূৎশেমগী পলনা মতম খরা নাথৈরুরবসু পল অদু নমখাইদুনা চেল্লকপা মতমসু লাক্কনি। তশেংনা হায়রবদা অফবা অমদি অচুম্বা মশীংনা য়াম্লল্লবদি ফত্তবা অমদি অরানবদু মায়থীবা পীবা ঙমগদৌরিবনি। অচুম্বগী দাগফম লৈহৌনবা পুকচেল শেংবা অমদি কল্লকপা-মীহৌবগী ৱাখল থাদোকপা মতম ওইরে। লৈঙাক্কী লোইশঙশিং অমদি লন্নাইগী থবক তৌরিবশিং অচুম্বা অশেংবা থবক তৌবিদুনা খুন্নাই অসি অমুক্তং অহোংবা অমদি চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনবা মতম ওইরবনি। ঙসিগী অঙম-অঙম্বা শেৎ-শেৎতুনা চানবগী মচৎ অমদি অতোংবদা লৈথোনবগী থবকশিং অসি চথদুনা লৈরবদি তুংলমচৎকী মীরোলনা ঙসিগী মীরোলবু তাথীনা ঙাঙনগদৌরিবনি।

মরম অসিনা তুংলমচৎপু মঙম শান্না উবা ঙম্বশিং অমদি ফম্নাইবশিংদগী হৌরগা অচুম্বা থবক তৌবগী অহৌবা নুমিৎ তঙাইফদ্রবনি। অরানবা থবক তৌবগী অফবা ফল লৈতে হায়নদুনসু ফত্তবা অমদি অরানববু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা মীগী মশীংদি হেনগৎলক্লি। ৱায়েল লোইশঙনা অরানবা তৌবশিংবু মতিক চাবা চৈরাক পীহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। অচুম-অরানগী বিচার লোইশঙদা শেঞ্জা-থুমজা তৌরিবমখৈ অচুম্বগী দাগফম লৈরোইদৌরিবনি। অদু ওইরবদি অহানবদা চুমথোকপা তঙাইফদ্রিবসি বিচার লোইশঙনা ওইফম থোকই।

লৈঙাক্কী থবক খনবদা পাঙথোক্লিবা চাংয়েংশিং অদু নুমিৎতুমক্তদা ফল হায়দোকপগী চৎনবী লৈরবদি অচুম্বা থবক হৌরে হায়বা য়াগনি। মদু নত্তদুনা নুমিৎ কয়ানি নমশিন্দুনা থল্লবদি খঙন-চান্নবা য়েংদুনা শেঞ্জা থুমজা তৌরে তাকচগদৌরিবনি। মরম অসিনা য়াইতোং খমদোংবশিংদগী হৌরগা অচুম্বগী দাগফম ওইগদবা থৌরমশিং পাঙথোকপনা অফবা খোঙথাং ওইগনি। নাকল অমরোমদনা মীয়াম্না ৱাচৎ-ৱানোম হৌদোক্লিবসি মীয়াম্না থিংফম থোকই। শেল পীরিবা অমদি শেল লৌরিবা অনীমক অহকপা চৈরাক পীবগী চৎন-কাঙলোন লৈরবদি অফবা ওইগনি। লৈঙাক্লা মীরোৎকী শক্তম লাংদুনা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা চথরিবা অরানবা লোনচৎশিং থিদোকপনা অফবা ওইগনি। শেল চাদবা লৈঙাক্কী লোইশঙ থিবা ঙম্বা মীওইদা শেলগী মনা পীগনি লাউথোকপা কান্নগনি।

অচুম্বা থবক তৌবশিং মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবনা তুংলমচৎকী অরংবা থৱাম্মীচাক ওইগদৌরিবনি। লৈঙাক হায়বা অমা লৈরিবনিনা লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিংদগী হৌরগা অচুম্বা থবক তৌদ্রবদি চৈরাক পীফম থোকই। উচি ৱারেপ তাদনবা ফম্নাইবশিংদগী হৌরগা মীয়ামগী মীহুৎ খনবদা অশেংবা থবক তৌবা মতম ওইরে। চিন্দমক ফজবা থবক্তি য়াওদবা লমথুংফমগা লম্বেলগা শম্নদবা লৈঙাক্কী থৌরম পরেং শেমদোকপা মতম ওইরে। মীয়াম ৱাখল তামিন্নদুনা কুইনা ৱাদুনা লাক্লবা ইরমদমসে অচুম্বগী অহৌবা নুমিৎ হৌননবা হোৎনবা মতম ওইরে। খুন্নাই অসিগী মীওইশিং ফত্তবা হৈনবী থাদোক্তুনা কল্লকপা মীহৌবগী মীৎয়েংদগী লাকপথোক্লা লৈবা ঙম্লবদি তংদু লৈতানা হিংমিন্নবা য়াগনি।

ধর্ম্ম লৈবা মীওই ওইনবগীদমক ধর্ম্মগী পাউতাক লৌবা অমদি ধর্ম্মদা থাজবা থমদুনা পূক্নিংবু লাঙ্গোই চনশিনবা ঙম্লবদি হিংশাদগী লাপথোকপা ঙমগনি। নুংশিবা মীৎয়েং অমদি থৌজাল হৈবা মতৌগা লোয়ননা মীপূম খুদিং মোমোন নোক্লা লোয়নবা ঙম্লবদি লালগী ৱাখল পোক্লক্লোই। মরম অসিনা অহিংশা, চৎন-কাঙলোন্দা য়ূম্ফম ওইবা ৱা-খল্লোন শাগৎনবগীদমক ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। ফত্তবা থবক অমদি তৌহৈদবা থবক তৌবদা খোইজংবা হেল্লিবমখৈ খুন্নাই অসি লৈখা তানা মাঙনবগী মচৎনি। অদু ওইরবদি ৱাখল তামিন্নবা য়াবা থৌরম কয়া পায়খৎতুনা অচুম্বনা অরানববু নাথৈবা ঙমগদৌরিবনি।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু অফবা থবক তৌ। মরমদি অফবা হায়বসি অচুম্বগী অহৌবা নুমিৎ ওইগদৌরিবনি হায়বসি নীংশিংবদা কান্নগনি। অফবা থবক তৌদবা পূক্নিং অমদি ৱাখলবু নুংঙাইহল্লি হায়বসি থবক অদু পাঙথোক্লুরগতা খঙগনি। নাকল অমরোমদনা তৌহৈদবা হিংশাগী থবক অমা পাঙথোক্লুবদা হকচাংদা নুংঙাইতবা অমদি তংদু লৈতাদবা চৈনা অমদি শোয়দনা পীরক্কনি। পূম্নমক খোংলগা খঙই হায়বদুনি। অদুবু খোংদ্রিঙৈদা ফত্তবা থবক্কী অফবা মহয় করিসু ফংলোই হায়বসি নীংশিংগদবনি।

মীওইবদা য়াওরিবা শাগী ৱাখলবু নমহৎতুনা চৎপা ঙম্লবা মতমদা অচুম্বগী অহৌবা নুমিৎ লাকপা ঙমগনি। তৌহৈদবা থবক অমা তৌরুবদা মদুদগী ফংলকপা চৈনা অদুনা ইশাদা অমদি অতোপ্পদা কোক্লরোইদবা দাগফম লৈহৌগদৌরিবনি। ইমুংদা, লৈকায়দা অমদি খুন্নাইদা চৈথেং ফংগদবা থৌদোক থোকহন্দবা ঙম্লবদি শান্তি লৈনা হিংমিন্নগদৌরিবনি। ফত্তববু মরূ ফুক্লা মাঙহনবদা অহকপা চৈরাক নৎত্রগা শক্তি অমদি চংদবা য়ারোই। মরমদি য়াদে হায়বা অমদি খঙহনবা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী ঈং-তপ্পা ঙাক্লবা লৈরিবা মীহুৎশিং অমদি থৌমীশিং ফত্তবা থবক্তগী লাপথোক্লা লৈবা হান্না তম্বা মথৌ তাই। অদু ওইরবদি অচুম্বনা মতম পূন্নমক্তা চুমদুনা লৈ হায়বদু তাক্কদৌরিবনি অমদি অচুম্বগী অহৌবা নুমিৎ অমা থোক্লক্কে হায়দুনা মীয়াম্না থাগৎনগনি। ●